ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯲꯵ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ১৯, ২০২২, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ০২৫শুবা মশীং

# মঙফাওনরোইদবা মঙ

## মঙলাক্লদনবা মঙদবনা চুমগনি

'মঙ' হায়বসি মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা হায়রিবা থৱায় পানবা মখলসিদা থেংনবা অমসুং মায়োক্লবা থবকনি। মসিবু মীদি নত্তবা অতোপ্পা থৱায় পানবশিংদসু থোক্লমগদ্রা? থোক্লম্বসু য়াই, মরমদি কংফাল অমসুং ঈশিংদা লৈবা থৱায় পানবা পূম্নমক্কা মীওইবগগী মরক্তা শবানদা, ফীভমদা, ৱাং-চাওবদা, চাকচা-য়ুথক্তা খেন্নরবসু থৱায় পানবা তুমিৎতগীনা শামু ফাওবগী মরক্তা লৈরিবশিং নুংতিগী মচিঞ্জাক চারিবনি। লেং-ওৎপা, চৎথোক-চৎশিন তৌবা অমসুং পোত্থাবা অমদি তূম্বনচিংবা তৌনরিবা ঙাক্তনি। মী নত্তবা থৱায় পানবশিংসিগা মীওইবগগী মরক্তা মখোয়গী মওং-মতৌ অমসুং বোদি লেংঙ্গেজ খরদগী মখোয়গী অনীংবা, অপাম-পামদনচিংবশিং খঙবদগী হেন্না খঙননবা ফাউনবা নত্তনা মখোয়না মঙ মঙই, মঙদুনা মখোয়গী পুন্সিদা মঙফাওনৈ নৎত্রগা মঙফাওনদে নৎত্রগনা মঙলাক্লরে হায়বনচিংবা খঙবা ঙমদবগী ৱানি। মী নত্তবা থৱায় পানবশিংদসু 'মঙ' মঙলম্বদি য়াই। অদুবু মীওইবদদি 'মঙ' হায়রিবা টর্মসি মালেম শিনবা থুংনা মীওইবনা লৈরিবা মফম পূম্নমক্তা শীজিন্নরিবনা জাৎ-কুচু, ফুরুপ-কাঙলূপ খেন্নজরবসু 'মঙ' করিনো, কম্মাইনা তৌবগে হায়বনচিংবগী মতাংদা শিৎ-নান্না খঙনরিবনি। হৌজিক্লা মীওইবনা নুংতিগী লেপ্তুনা লৌশিং হেঙ্গৎলকপনিনা মঙ হায়রিবা টর্ম অসি মীওইবগী তাইবঙগী পুন্সিদা ফাওবা পুশিল্লক্তুনা শীজিন্নরকপগী ৱানি। মঙগী প্রিদিক্সন ফাওবা তোঙান-তোঙানবা মওংদা পুথোক্লদুনা শীজিন্নরকপগী ৱানি। অফবা অমসুং কান্নবা থবক-থৌরমশিংদা সিম্বোলাইজ তৌদুনা শীজিন্নবগী ৱানি। অদুবু নুংঙাইতবা, অৱা-অনাগী মঙশিংদনা মীওইবনা মদুগী খুদুং ইন্দুনা থোরক্তুনা মায়োক্লরকপদি পামদবনিনা 'মঙগী ৱাবু' হায়দুনা কোকথোক-চামথোক্লবা হোৎননবগী ৱানি। অদুগা অফবা ওইজ-ওইথক্কী ওইরগনা মদুমক মঙফাওনরবদি হায়দুনা খন্নবগী ৱানি। অদুবু মঙ হায়বসিগা তশেংনা চুম্না হৌদোকমিন্নরক্লিবনা মীওইবনা তূম্বগনি। তূম্লিঙৈদা পূক্লিং-ৱাখলদা ফাওবা, থেংনবা অমসুং উবদুবুনি। অদুবু ওইরোইদবদা তাইবঙদা শাগৎলুবা, নীংজরুবা অমগী ৱাফম ওইরগনা 'তূমদনা মঙ মঙলে' হায়বা ৱাফম ফাওবা পুথোক্তুনা শীজিন্নরিবনি।

অদুবু চাওখ্রবা লৈবাকসি অদুঙৈ বৃটিশনা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪ অমসুং ১৫গী লোন্নবা অহিংদগী থাদোক্লম্বদগী মতমদুদা লৈখিবা নিংথৌ পানজরম্বা লৈবাক অচৌবা মচা কয়ানা পুনশিন্নদুনা শেমজিনখিবনি। লৈবাকশিং অসিবু দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোনগী থৌরিনা লেংদুনা মপূং ফাবা রিপব্লিক অমগী লিচিং মখাদা শেমগৎলকপনি। হায়রিবা ফীভমসিদা লৈরকপনা হৌজিক্তি লৈবাকসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুজিল্লক্লিবনি। অদুবু তোঙান-তোঙানবা লমশিং ওইবদা নত্তনা মান্নদবা, খেন্নবা, মশাগী লোল, নাৎ, চৎনবী অমসুং লাইনীংশিং লৈজরকপা কাঙলূপ-ফুরুপ কয়ানা লৈমিন্নরক্লিবা লৈবাকসিদবু লোল অমখক্তমক ওইগদবনি, লাইনীং অমখক্তমক ওইহনসি হায়বগী মঙখৎনরক্লিবা মঙলানশিং অসিবু মঙফাওনগদ্রা নৎত্রগা মঙলাক্লগদ্রা হায়বগী ৱানি। লৈরিবা ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক অমনা অমদগী পীকপা-চাওবগী পাদম লাক্তনা মাগী মাগী হৌদোকমিন্নরকপা, য়াওন্নরকপা লাইনীং, চৎনবী-নাৎ কয়াদুগা পূন্না অদুম্মক লৈজবা, হিংজবদা অমনা অমদা অকায়বা, অয়েৎ-অপন থোকহনবা থোক্কদ্রনে? ৱাহংসিগী পাউখুমদদি ফুরুপ-কাঙলূপ অমনা অমবু ইকায়খুম্নরবা অমসুং নুংশি-চান্নবা মিৎয়েংবু য়েংনরবদি অদুম্মক কায়দনা, হোংদনা লৈজবদা করি কায়বগে? হোয়, মীওইবগী অনীংবা, অপাম্বগী হৌনবা লন্নাই মীওই অমনা নৎত্রগা খরনা নৎত্রগসু অপূনবা ফুরুপ অমনা মশাগী লাইনীং-লাইশোন তুংওইনরম্লগা অনৌবা অতোপ্পা অমদা লুপশিন্নবসু য়াওদবা নত্তে। মী অমনা মশাগী শিনফম হোংদোক-হোংজিন তৌনবসু য়াওরিবনি। লৈবাকসিগী মফম অতৈদসু অদুমঙাই, মণিপুরদসু অদুমঙাই বৃটিশ লাকপদগী খৃষ্টিয়ান লাইনীং লৌনখ্রিবনি। মণিপুরদদি হিন্দু লাইনীং চৎপশিং লাকখিবদগী অনৌবা লাইনীংসি লৌনখ্রিবনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরিবা ৱাফমনি। মসিনা মীওই খরগী নৎত্রগা কাঙলূপ-ফুরুপ খরগী ওইবা ৱানি। মশাগা হৌদোকমিন্নরকপা য়েলহৌ লাইনীং অমসুং চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা অমসুং য়োকখৎতুনা শাগোন্নরা হিংজগে, লৈজগে হায়বা মীওই অমসুং কাঙলূপশিংসু শোয়দনা লৈগনি। মসি ওইরগদি হায়বদা ফজবা, তাবদা অচুম্বা, অশেংবা মানবগী ৱানি লৈবাক অমা, লাইনীং অমগা হায়বা ৱাফমসিদি মীতৈ পাউরৌদা মথিক নেম্বা মীনা থা লাম্বা, মোন্দ্রং শান্নবা ওইনা থোক্কনি। মঙফাওনবগী মহুত্তা মঙলাক্লদুনা তোক্কনি হায়নীংই। এগ্রিকলচরেল লো অহুম পুথোক্তুনা চৎনহন্নবা হোৎনরুবদা লৌমী ৭০০ হেন্না শিজিল্লকপদগী খোঙফম হন্দোকখিবদু কাউথোক্তবা ফগনি খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১) "তোয়না থেংনৈ ঐনা/ৱাহৈনা মপূকচেন হোংলকপা।/ৱাহৈনা মপূক শেংলক্তবসিদা/কপলি ঐগী থৱায়না।" শক্লাইরবা কবি অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং অমনি। কবি অসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী মমিংনি **"অরোইবা খোঙচৎ"** হায়বসি। অইবসি কনানো অমদি লাইরিক অসি করি মখলগীনো?

৩) ***"সেনবী সমসোক্ লৌওনব পাংগ ঈপ লাল্ কবো ঈপু লাল্ পূনুং চঙবী ঈয়ান খাক্ পূনুং ঈসোই ননন লমলেল্ মংসা লউথেং কোইদ ইরোই কাংপোৎ খোমলরে হায়য়ে। পোইরই ঐসু তাংসক্তে।"*** ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৪) **"চেরৈ"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৫) ***"অ।! চান্নবী, হৈররোনে থন্ন, থক্লসিনে,/হৌখিবগীদমক্ত নীংঙমদ্রবা লাক্কদৌ' গীসু নুংনাংনরিবা ঙসি কৌবা নুমিৎসে,/হয়েং! করিগী হয়েং, ওইবা য়াদ্রবা ঐহাক্তী/হৌখ্রবা চহী লীশিং চাম্মগী চিন্তা পোৎলুম পুবা।"*** মালেম ফাওরিবা কবি অমগী শৈরেংদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা মতেকনি। কবি কনাগী করি শৈরেং লাইরিক্লো অমদি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুর... বন্দ, ব্লোকেদ, ষ্ট্রাইক, প্রোটেষ্ট, এজিটেসন...

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৯৯

**জিতেন নামৈরাকপম**

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা চহী ৭০ হেল্লক্লবা মতুং অসি ফাওবদা ইস্যু কয়ানা য়োমদুনা লাক্লি হায়বা য়াই। চহী খুদিংগী মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা নুংঙাইতবা পোকহনবা, খুরৌ থাংহনবা থৌদোক নৎত্রগা ইস্যু অমা হেক্তা চোঙথোরকই। হৌখ্রবা মমাঙগী চহীশিংদা হঙ্গৎনা য়েংলুবদসু ইস্যুলেস, এজেন্দালেস ওইবা ঈংনা-তপ্পা শান্তি ওইনা পানবা চহী অমত্তা য়াওখিদে। লালহৌবগী ঈরাং, চেঙ তাঙবগী অন্দোলন, গো বেক ফোরেন্নগী ইস্যু, অফস্পাগী মরুমদা মীচম কয়া হাৎখিবা, ফাদুনা পুখ্রগা মাঙহনবীখিবা, ফেক এনকাউন্টর, নিশা বন্দ মৈরা পায়বী থোরকখিবা, কংলাদগী অসাম রাইফলস হোংদোকহন্নবা হৌরকখিবা ঈহৌ, ইন্নর লাইন পর্মিট, বন্দ, ব্লোকেদ, লৈবাক্কী ইস্যু কয়াদা মহৈরোয়শিং য়াওশিল্লক্তুনা চঙশিনখিবা ঈহৌ কয়া তম্বদা লোইবা নাইগদবা নত্তে। চহী কয়ানো য়েংবীয়ু নুমিদাং য়ূমদগী মপান থোকপা কিনখিবদু। ফুরিৎখাওদা, বেগতা লুপা লিশীং ২০/৩০ পুরগা চৎপদা কিনরম্বদু। অরাপ্পা ইম্ফালদগী খরা তাম্না লৈবা নুপা অমখক শেল মপুন পুদুনা মচন্নুপী লুহোংনবগী অউনপোৎ লৈবা চৎখিবা কাপ্লবদা শিরে, মঙোন্দগী নাইন এম এমগী পিষ্টোল ফংলে, মরূ অসুক হায়দুনা নোংঙানবগী পাউচেদা ফোঙলকপদা ইমুংদুগী, লৈকায়দুগী মীয়াম ঙক্লখি। মদুবু কৌই ফেক এনকাউন্টর।

ফেক এনকাউন্টরগী ৱারীসিদা লীবদা তম্বদা লোইবা নাইগদবা নত্তে। খূৎশেমগী কাপ্লবদা শিখিবা মণিপুরদা লিশীং অনীগী মথক্তা লৈখ্রবনি। মদুনা শোকহল্লম্বা শোয়নায়হৌরবা কয়া অমসু লৈরিবনি। পেন্দ্রবসু পেন্দনা খূৎশেমগী কাপ্লবদা শিখিবগী পাউচেদা মমিং মথাগা লোয়ননা ফোঙলকপশিংগী অশিবা মশাদি ফংদুনা পোৎলোইবা ফাওবদি ফংজরি। অদুবু মীয়াম্না খ্বাইদগী পেন্নদ্রিবদি আর্মিনা মশা ফাদুনা পুখ্রগা মফম খঙদনা মাঙহনখিবা, ফুমজিন্দুনা থমখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা কয়া অমা লৈরিবা অসিনি। মতমদুগী মীয়াম্না খঙবীরমগনি নীংশিংবীরমগনি খঞ্জে। থাংমৈবন্দগী বিজয়কুমার ফাখিবদগী থিবা ফংখিদে। সনামচাগী ৱারীসু কাউবীরমখিরোই নীংজৈ। ওন্থোক্লা পেন্নখিদবনি। হোয়নে, মখোয়না হাত্তোকপিখিবা ওইরগসু শরূ মচেৎ অমত্তং ওইরবসু পীবিয়ু, মথৌ মঙম পাঙথোকচগে হায়বদা শুংতা তাবিখিদে। মখোয় অনীদা নত্তে ফারগা থিবা ফংহনখিদবা, অতৈ কয়া অমসু লৈরি। শোমদনা অমুক কমদৌরি মণিপুরগী কম্মান্দো কাঙবুগীসু ঐতিহাসিক ওইরবা ৱারী কয়াসু ইদুনা লৈহৌরি। ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর...। মখোয় অসোমদা ঙরাং অনী হাৎখ্রে, শোমদনা ঐখোয়না হেল্লসি হায়বরোমদা চখ্থরকখি। নুংতিগী পাউচে পাবদা কাপ্লবদা শিখিদবা করি নুমিৎপু য়াওখিবগে? কীনীংঙাই ওইখি। জন্যুৱারী ২৬কুম্বা নুমিত্তা গেলেন্টরি এৱার্দ মণিপুরদগী ৬০গী মথক্তা য়াওরকখি। গেলেন্টরি এৱার্দ ফংনবা মীচম হাৎলিব্রা হায়বগী ৱাহং কয়া কয়ানি। হৌজিক্তি গেলেন্টরি এৱার্দ ফংনখিদ্রে। ককথৎপফাও য়াওখ্রে। তমথীরবা মণিপুরগী মশক ঙসিদি উবা ফংখিদ্রে। মসিদি ইবোবী নৎত্রগা বিরেন লৈঙাক্লা নত্তে। টেহলকাননি, সঞ্জিৎ, রবিনা মীহাৎতা



দেল্লীগী টেহলকানা ফোটো ওইনা শবাক ফাক্লকপদগী মণিপুরদা শান্তি লাকখিবনি। টেহলকাদা সেল্যুট তৌজরি।

টেহলকা, দেল্লীদা বেজ তৌবা প্রিন্ট মীদিয়াগী গ্রুপ্না মতেং পাংলমদ্রবা, চেফোঙদুদা সঞ্জিৎ ফাদুনা ফার্মাসি অমগী মনুংদা পুশিনখ্রগা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী তাদুনা লৈরম্বগী সেরিজ নাইবা ফোটোগ্রাফশিং অদু ফোঙলমদ্রবা কম্মান্দো কাঙবু শুংকী কিবিবগী ৱাফম লৈরোই। অদুগী ৱাদি মীহাৎ অদুদা চেন্নবা হেরোজিৎনা ষ্টেটমেন্ট কয়া অমা পীখ্রে। সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দরসু থোকখিবা কুইরে। তশেংনা টেহলকানা তমথীবা মীহাৎ থৌদোক অদু মীয়ামদা শবাক ফাক্লমদবা তারগদি ঙসি ফেক এনকাউন্টর মশীং খঙদনা থোক্লমগদ্রা খল্লি।

মীয়াম্না হেন্না খঙবীরিবদুনি মণিপুরদা খ্বাইদগী কিনখিবসি অফস্পা/ফেক এনকাউন্টর অনী অসিনি হায়বা য়াই। মণিপুরদা হিংবসি নাকল অমরোমদা য়াম্না নুংঙাইবা মফম ওইরগসু অমরোমদদি ওন্থোক্লা ৱাখ্রে হায়বা য়াই। পোত্তাঙ চৈতাঙ, থবক ফংদবগী ইস্যু, লম্বী থোংগী, মৈগী, ঈশিংগী, মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবগী মরক অসিদা এ দি সী বিল পাস তৌগদবনি হায়বা খোঙজং অমুক মখা চখ্থরক্কদৌরি। কুইররোই বন্দ, ইকোনোমিক ব্লোকেদ অমুক হৌরক্লগনি। অসিদসু নত্তে ইস্যু কয়ানা য়োমদুনা লাক্লবা মণিপুরদা অতোপ্পা ইস্যু কয়া অমনা পরেং লেংদুনা লৈরি।

মতাং অসি য়ৌরকপদা ঐখোয়গী মপি-মপানি হায়রিবা লৈঙাক অসিনা কমদৌবা। ৱারেপ অমত্তংসু মওং তানা লৌবা ঙমদে। টিকেন্দ্রজিৎ রেদিও দ্রামাগী "ভারত সরকারগী হুকুম" হৌজিকসু মখা চখ্থরি। ঐখোয়গী মণিপুর ইমা লৈবাক্তা পোকচবা মচা অমা ওইনা মথন্তা ৱায়েঞ্জবা ঙমদবা লৈঙাকশিং অসিবু করম্বা মখলগী লৈঙাকনো। চীফ মিনিষ্টর ওইবগীসু দেল্লী, কেবিনেট মিনিষ্টর ওইবগীসু দেল্লী, পোর্টফোলিও য়েন্থোকপগীসু দেল্লী, দেল্লীদা হঙ্গৎ হন্দা এরোপ্লেনগী অতোংমল মণিপুরগী মীয়ামগী শেঙ্গাওদগী মাঙহল্লি। কৈদৌঙৈ লোইগনি মণিপুরগী লাঞ্জাওসে.. বন্দ-ব্লোকেদ, পুঙম-থাঙমদ্রবা দিমান্দ কয়া... থবক ফংদবগী, ওফলাইন-ওনলাইনগী মহৈরোয়শিংগী এগজাম, ৱাকৎ খোঙচৎ করি করা মথং-মথং...। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৬৪

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

থিজিন লৌশিং (সাইন্স) গী মীৎয়েংদগীসু মসিগী অচুম্বা মরমশিং লৈ খঞ্জে। অহানবদা, শঙলেন মনুংগী নুংশিৎ শেংহল্লোইদবগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। অনীশুবদা, মৈ চাকখিবগী অরেমখাক, মকুম মরাং শঙলেন মনুংদা ওইনা থাবদা তাশিনগদবদু লৌথোকপদা খুদোংচাবা খরদি শোয়দনা ৱাৎকদবদু থিংবা ঙমহল্লি। অহুমশুবদা, নুপা-নুপী-অঙাংশিং ইন্নদুনা মৈনুং পোক্লগদবা অমদি করিগুম্বদা মফি মরোল মৈ ৱাইদুনা চাক্কদবা/পোক্কদবা খুদোংথীবদগী হন্থহনবগা লোয়ননা ঙাকথোকপসু ঙমহল্লি। মরিশুবদনা, মপান্দদি লম পাক চাওবনা অমুক্তদা মৈরা-মনম মশীং য়াম্না লাক্লিবা লাক্লিবীশিংদা কৎনবা খুদোংচাবা ফংবা ঙমহল্লি। মঙাশুবদা, শিল লাংলিবশিংদা মতাং মতাংগী ওইনা লোইশিন খমজিনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা শঙলেন মনুং অমসুং মপান্দা তরু-তনান্না থম্বদা খুদোং য়াম্না চাহল্লি।

২) নুপা-নুপী লৌন-লৈনবদা য়েক মশক খঙনা পাঙথোকপা :- মমাঙগী তাঙ্কক্তা পঞ্জখ্রে মদুদি লমসিগী য়েলহৌমীশিংদি য়েক ৭কী পুকোকশিংগী চাদা নাওদা ওইবদা নত্তনা মীরম লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈননা কৌনীংবা মমিংশিং লৈ হায়বা পুকোকশিংগী চাদা নাওদা শুকওই ওইরক্তে। হীরম অমত্তদা মীতোপ লাইনীং লীচৎকা মান্নদে, মরীসু লৈনদে। ইশা ইশাগী অশেংবা হৌরকফম মশক খঙগে হায়রবদি অদুঙৈ মাঙলম লমচৎকী - মরক্কী লীচৎ নত্তবা - পুৱারীগী লীচৎ থিগৎলগা য়োকখৎপা মথৌ তাই হায়বদি চহী লিশীং মরি-মঙাগী পুৱারী নৈনদনা মীতোপ মীয়ানচা চঙলকপা হৌরকখিবা চাংদম্নবদা তেল্লবা মতমদু খক্তং নৈনবনা য়ারোই। খুদিংমক্তা মীতোপকী ইথিল চঙলে খঙলবা মক্তনি। মদুনা অশেংবা ওইবা য়ারোই। মুকশনগী ওইনদি য়াফম থোকপনা য়াগনি। খুদম, মকোক মমৈ ফজনা নায়না/পান্দুনা শাংলবা তিন্থ্রোক অমা ওইনা লৌরসি। মশা অমত্তা ওইনা লৈজরকপদু কনাগুম্বনা করিগুম্বা মরম অমদগী মকোক মমৈ খঙহন্দনা মকক অহুম থোক্লা ককথৎপদা হিংবা ঙম্বা থৱায় পানবা, তাইবঙ শেম্বা মপুনা লৈশেমঙৈদা নমু তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী য়াম্না কান্নরবা মরুপ (হৌজিক্তা লৌমীগী মরুপ হায়না খঙনবা) অমা ওইহন্নবা থৱায় মিরেল হাপ্পীরগা মালেমগী কুয়োম লৈশা নুংদা লৈহনখিবা মীতম/পোৎশক মমিং 'তিনরিরেল শিদবা' (তাইবঙ লাংবুম শেম্বা), কৌবা অদুগুম্বদুগী মকোক লোম থংবা অদুগা মমৈরোম থংবা মকক অনীদুগী ওইবা মশাদুনি ঈনাৎ লাইনীং অশেংবগী হৌরক্লোন অমদি মখা শমথরিবা, মীরম লাইনীংনা মরক কুমজা চহী চা খরা থৎখ্রবা ফাওবদা হৌরক্লোনগী চৎনবী লোনচৎ ঙাক্লা চৎনবা হোৎনরক্লিবা ঈনাৎলোয়শিংসিনি। মরক্কী মকক ওইনা লৈরিবসিনা খাংঙুথক্কী মীরমবু পামজনা তোখায় তাদুনা শামরক-ঙামরক ওইনা শিখাং খাংদুনা লৈরিবশিংসিনি। হিন্দু লাইনীং চঙলকপা ঙল্লিঙৈ মতমদা অমং য়াইথোং কুমখ্রবা মখোয়শিংবুদি খরবু ঙাকপীনীংঙাই ওই। মরমদি মতমদুদদি তুংগী পোইরৈ অতাম্ববু করি থোক্লদগে উবা খঙবা ঙমখিদবা নিংথৌরেলশিংসু মহায়গে মখোয়গী তমথীবা মীওৎ মীনৈ কিবদগী মপোক থীনা নোংদম্বনা নোংদমখিবনি খন্দোক্তুনা। অদুবু হৌজিক্তদি করিনো হায়বা মমুৎ তানা খঙলবা মখোয়শিংবুদি কনানা করম্না নোংদম্বা মপুনা পীরকপা নোংদমখোনবু ঙাকপীগনি। হীরম অয়াম্বদা ঈনাৎকা মীনাৎকা মান্নদে হায়বসি খঙনা খঙনা ঈনাৎ নত্তনা মীনাৎ শানবা হোৎনরবদি নোংমদি শোয়দনা খঙলক্কনি। মতমদুদদি নুপীদা হায়রগনা - 'মপাম চাকসু চাদ, মৱা চাকসু চাদ' হায়বা ফীভমদু ওইরক্কদবা কুমজা কুমশিং য়াম্লক্ত্রবনি, ঐনা হায়জনীংদুনা হায়বা নত্তে, মপুগী লাংওন লংতাইগী ওইরকপা ফীভম্ননি। খুদম, মতম শাংনা লোৎতুনা লৈরুরবা মীতৈ/মৈতৈ, চনু, লৈমা, য়েক সলাইগী মমিংশিং হাপ্পা ইরমদমসিগী ওইবা ৱাহন্থোক লৈবা মমিংশিং য়াম্না পাম্নরা শীজিন্নবা হৌরক্লে। পুন্সি য়াচংবগী মতম য়ৌশিল্লক্তুনা পুন্সি চেঙজেল লোইগদৌরবশিংগী অরোইবা মিকুপ্তু ঙাইনরিবা মীয়াই ওইবা হৌগৎলকইবা নহা কয়ানি। হৌনরুবা লৈতনা নহাশিংগী ওইবা ঈনাৎ ফুরুপ মশীং য়ামখৎলকপা মপুগী লাংওন লাংতাইগী ওইবা শাফোং ঈহৌনি। মসিনসু মদোমদে। মীরম লাইনীং লিচৎ পামজবশিং মখোয়গী পোল্লক শাৎলকপগী য়ূম্নাক শাগৈ মুৎতরি/হোংদরি। অদুনা অপূনবা ওইনা তোঙান তোঙানবা য়ূম্নাক শাগৈশিংগী হৌরকফম য়েকশিং মূৎতরি। মোংবা মরানয়াইশিংদা ঈনাৎকী য়ূমলাই ওইবিরিবা লাইনিংথৌ সনামহী, মালেমগী মমালেন ওইবিরিবী ইমা লৈমরেল শিদবী অমসুং মচা সনামহীবু করিদা শোয়খি ঙামখিগদগে খন্দুনা য়ূমগী উরেপ থক্তা শাথুপ্না ঙান্থোইবিরিবা লাইনিংথৌ সলাইরেল শিদবগী খুভম ওইরিবা উরেপকী মখোঙ, মফম মতমগী মতুংইন্না হোংলক্লিবা য়ূমশা কৈশাগী ওইজরবসু অখঙ অহৈশিংদা পাউহংজরুরগা তাকপীরি ফুঙ্গা লাইরু মনিং ফম্বী ইমোইনু ইমাগী মফম, নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ৱালহৌবী ইমা/লাইরেম্বী তরেৎনা শিন শিন্দুনা ফু হৌফম ওইরিবা মফম কৌব্রু পাংবা - ঙসিসু ইরমদমগী খুন্নাইসিদা অহোংবা অমদি মুৎপা নায়দনা লৈরি/চখ্থরি। ঈনাৎকী লাইনীং লিচৎ চাওখৎহন্নবগী থৌদাং পুন্না য়ামিন্নরি। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী মৈরা, মেক্রুক/মনম লাংদুনা ঈনাৎ লাইশিংবু থাদোক্ত্রি। মসিগী মথক্তা চহী কুমজা খুদিংগী মাগী মাগী শাগৈশিংগী য়েকপু পোকপা অপোকপা-অপোকপী অনীগী থৌরম পাঙনবা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা, অনৌবা চরৈ ফিজোল ফিঙাম হোংদুনা খুরুম খাজংদুনা থৌজাল ললকুবীনবা থৌনি থৌরম পাঙবসু য়েক মচাশিংনা থাদোক্ত্রি। ●

# খন্নজনীংবা অমসুং হংজনীংবা খরা

- থোকচোম ইবোমচা -

এপ্রিল ৮, ২০২২দা থোইদোক্লা ইকায়খুম্নজরিবা ওজা সেঞ্জম দেবেননা শজিফু থা মানা করিগী থোইদোক হেন্দোক্লিবনো? হায়বা ৱাহৈনা হৌরগা হায়রিবা থা অসিদা ওইরিবা শক্তম হায়বদি ফাইরেন, লমতাগী নুংশিৎনা হুমদোক্তুনা অরিবা উনা কেনখ্রগা শজিবু থানা লাকপদা অনৌবা য়েনীং হুল্লক্তুনা অরি অনৌ ওন্নবগী চপ চারবা মতমসিদা চহী হৌবা ওইনা ঐখোয় মীতৈ ইপা ইপুশিংনা হৌদোকপীরম্বা অসি ঐ ইশাগীসু থোইদোক্লা পেঞ্জবা অমসুং হরাওজবনি, ওজা দেবেনবু থাগৎচরি। অদুগা ওজা দেবেননা তাকপীবদা ঐখোয় মীওইবনা হৈকৎ লৈকৎ তমজবদা লাইনিংথৌ সনামহী, লৈমরেন শিদবী, লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনী হায়না উৎপগী মতাং অসিদা ঐনা খঙজনীংলিবা অমতং হংজরি, মদুদি ইবুধৌ সনামহীগা লৈমরেন শিদবীগা অনীগী মরীসিতং মচা খায়না খঙজনীংই।

মণিপুরী মীয়াম্না তত্তনা ঙাঙনবা তাজবদগী অইবা ইশানসু মসিগী নুংগী ৱাহন্থোক অখঙ অহৈশিংগা মতম শাংনা তানজখি। মতাং অসিদা ওজা মায়চৌ তোংব্রম য়াঙম্বা কৌবা ওজানা পুয়াগা মরী লৈনবা পাউতাক অমা লীবিখি, চৈরাওবা অনী থোকপা নত্তে থৌরম অনী থোকপনি হায়না খুদম চাংদমগা কোন্ননা তাকপীখিবদু মখাদা শল্লপ্পা ইজরি।

চহী হৌবগী নুমিৎ মশীং থিবদি শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিত্তগী হৌগদবনি, হায়রিবা নুমিৎ অসি শুপ্নগী ইবুধৌ সনামহীদা ঐখোয়না ঙমজবা অথেনপোৎ লাঙলগা অহিংবা ওইনা কৎকনি। অদুগুম্বা ঐখোয়না কৎলিবা পোৎলমশিংদু মথেল মকোয় শেল্লগা থোংলগা ইমুংদুদা লৈরিবা মীওইশিং খক্তা চাগনি অতোপ্পা থাদোক্লোই। মসিগী মরমসু পুয়াগা মরী লৈননা ওজাদুনা তাকপীরি। অতিংকোক শিদবনা মচা অশিবগী অশাউবদু নেমথনবা তাকপীখি, ননাওনা ফম্বালগী নিংথৌ ওইখ্রগসু নঙনা তাইবঙগী য়ূমথোঙ খুদিংগী নিংথৌ ওইয়ু হায়না তাকপীখি। মতম অদুদা লাইনিংথৌ সনামহীনা ইপাগী য়াথংনি খন্দুনা য়াজখি। মখা তারকপদা অতিংকোক শিদবনা মচাদা তাকপীখি। ইপাগী ইবুংঙো নঙ তাইবঙ লৈশেম্লো হায়না। য়াথং অদু ফংবদগী সনামহীনা তাইবঙ লৈশেম্বা হৌখি, অতিংকোক শিদবদি নোংদোল থক্তা কাখ্রে। অসুম্না শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিত্তা লাইনিংথৌ সনামহীনা চীং হান্না শেম্বা হৌবদা, ফম্বালগী নিংথৌ কোঞ্জিন তোথুপ্পনা লিনগী শক্তম লৌরগা মমৈনা চীংশিংদু লোইনা থুগায়খিরমই। থৌওংদু উবদা সনামহী য়াম্না শাউনীংখি অদুবু মপা অতিংকোক শিদবদা ৱাকৎখি। তাঞ্জাদুদা অতিংকোক শিদবনা লাই নুরাবী ৭ পুথোক্লগা হায়রকই - আদা লৈরিবা লিন অসি নখোয়না ঈফুৎ ফাউনরগা থমউ হায়না।

মতম অসি সনামহীনা তাইবঙ লৈশেম্বা লেপখি, লাই নুরাবী ৭ অদুনা লিন ওন্দুনা লৈরিবা কোঞ্জিন তোথুপ্পবু ঈফুৎ ফাউনদুনা ফাজিন্দুনা থল্লিঙৈদা লাইনিংথৌ সনামহীনা অমুক নৌহৌননা লৈশেম্বা হৌবগা লোয়ননা চীং, পাৎ, তুরেলশিং শেম্বগা লোয়ননা থৱায় পানবশিং শেমখ্রে। মতম অসিদা অতিংকোক শিদবনা য়াথং তৌরকই, নঙনা শেল্লিবা জিবশিং অদুদগী খ্বাইদগী অথোইবা জিব অমগা শাখো, য়াথং অদুবু তাবদা সনামহীনা হায়জরকই তাকপীরিবা জিব অদুবু করম্বা শকফম ওইগদগে। মতম অদুদা শিদবা মপুনা মি: ওইনা শক্তম অমা উৎখি। খুদক অদুদা সনামহীনা শক্তমদু মান্না শাখি। হায়রিবা শক্তম অদু মোনু তাইবঙ মী হায়না থোনখি।

মথক্তা উৎলিবা শল্লপ্পা ৱারীসিদগী ঐখোয়না লৌরগা চৈরাওবগা চাননা অসুম্না থৌরম পাঙথোকসি মদুদি শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিৎ অদুদি ঐখোয়না অঙন্বা পোৎলম থম্মোয় শেংনা লাঙলগা অহিংবা ওইনা লাইনিংথৌদা কৎলগা ইবুধৌবু খুরুমগদবনি। মতুংদা পোৎলমশিং অদু মথেল ওইনা থোংলগা অহানবদা শরোয় ঙারোয়দা কৎনবা য়ূমগী কোন্থোংদা থাদোক্লবা শেমগনি। মতম অসিদদি লৈ-শু মরাং কায়না ফংগনি। অসুম্না লুক্লেনদু কৎপা ঐখোয়গী পুন্সি নীজগনি (শল্লপ্পা ৱারী)।

মতাংসিদা ঐখোয়না ফোঙদোকচরিবা চৈরাওবা অনী থোকপা নত্তে থৌরম অনী থোকপনি হায়বদুগী নৈনরোল শল্লপ্না থমজরি, মদুদি কুমসি চহীগী নুমিৎ মশীং থিবা হৌবা পূম্নমক শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিত্তগী হৌগনি। অদুগা মপান্দা চাক থাদোক্তনা শুপ্নগী ইমুং মনুং খক্তা ৱাখলনা লাইনিংথৌ খুরুম্লগা চাগদবনি। মরমদি মপান্দা চাক থাদোক্কদবা লাই শাদ্রিবনা। অদুগা পাঞ্জিনা কেলেন্দরদা নুমিৎ অমা পীগনি হায়রিবা নুমিৎ অদুদদি মপান্দা চাক থাদোকপা য়াগনি। মরমদি লাইনিংথৌ সনামহীনা মপানগী লাই শারবনা। অদুবু চখ্থগদবা থৌওংদি অহানবগীদুগা চপ মান্ননা সনামহীদা অথেনপোৎ কৎলগা খুরুমগনি। মতুংদা পোৎলমশিং মথেল ওইনা থোংলগা কোন্থোংদা থাদোকপা মতমদা ইমুংগী মীওই পূম্নমক্কী পুন্সি নীবদি অহানবগী থৌরমগা অমত্তনি। অদুননি চৈরাওবা অনী থোকপা নত্তে থৌরমতা অনী থোকপনি হায়জরিবসি। ●